২৬শুবা এল সঙ্গিতা দেবী ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# এন সী ক্লবনা দল্লিয়ু এ এফ এবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে, থাও অমসুং এস কে দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ২৬শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন সী ক্লবনা দল্লিয়ু এ এফ এবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা থাও অমসুং এস কে দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ২৬শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দল্লিয়ু এ এফ এ অমসুং এন সী ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৩শুবা মিনটতা এন সী ক্লববকী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ শঙ্করনা মহাক্কী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। শঙ্করনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা দল্লিয়ু এ এফ এগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১দা লৈহনখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা খঙহৌদনা এন সী ক্লববকী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ টি রোবিনসন্না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-১দা লৈখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দল্লিয়ু এ এফ এনা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌবগা এন সী ক্লবনা বোল হেন্না পায়দুনা ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ হেমবোয়না টিমগী পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩-১দা অমুক লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা দল্লিয়ু এ এফ এনা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী এন সী ক্লববকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীহৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা থাও অমসুং এস সী কে শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীনা মান্ননা তক্কদুনা শান্নরকখি। অদুবু থাওগী মায়কৈদগী মেচকী ১৪শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৯ এল রোবিনসন্না টিমগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। রোবিনসন্না চনখিবা পাঞ্জল অদু এস সী কেগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোক্নবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী এস সী কেনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা মওংদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৬৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৬ গোনধিনানা পাঞ্জল অদু ইক্বেলাইজ তৌখি। মখা তানা টিম অনীনা মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

২৬শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এস আই সী ও অমসুং ৱাই এ সী লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা জি সী সী আর পি এফ অমসুং এন সী ক্লব শান্নরগনি হায়রি।

## ষ্টেট লেভেল জুদো পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর জুদো এসোসিএসন্না শিন্দুনা ওগষ্ট ১০ অমসুং ১১দা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র অমসুং কেদেট জুদো চেম্পিয়নশিপস ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিনা চহী অসিগী ওক্তোবর ১৪দগী ১৮ ফাওবা মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল সব-জুনিয়র এন্দ কেদেট জুদো চেম্পিয়নশিপসতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয় খনবগী ত্রায়ল সেলেক্সন ওইরগনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুদোকাশিংগী চহী অমসুং অরুম্বগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু তোঙান-তোঙানবা য়ুনিটশিংদা খঙহল্লগনি। এসোসিএসন অসিগী ওফিসতগী নুংথিল পুং ৪দগীনা ৬ ফাওবগী মনুংদা সার্কুলর অদু লৌরবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখাতারি।

## জে এন হোক্কি টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা জে এন হোক্কি টুর্নামেন্ট অমা সেপ্তেম্বর ১দগী ৩ ফাওবদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱাই বোনিনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসি নুপামচাগী চহী ১৫ মখা অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী কাংলুপ্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম অদুনা ওগষ্ট ২৬নি।

## অসাম রাইফলসনা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) গী মখাদা ২৬শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসকী চান্দেল বট্টালিয়ন্না মফম অদুগী কংখু এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লবকা খূৎশম্নদুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সভেন এ সাইদ বেবি লীগ ফুটবোল কপ ২০১৯ পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ১৮দগী হৌরকখিবা চহী ১২ মখাগী সভেন এ সাইদ বেবি লীগ ফুটবোল কপ অসি মফম অদুগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্ননা মীৎয়েং তাখি। পূন্না টিম ১৮না শরুক য়ারকপা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচ অদু চন্দনপোকপী ফুটবোল ক্লবনা গ্যান ফুটবোল একাদেমি কাপমবু মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

চান্দেল বট্টালিয়ন্না টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোকপদা চাউনা মতেং পাংলকপগীদমক মফম অদুগী মীয়াম অমদি কংখু এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লবনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## রিশিকান্তনা গোল্ড মেদল লৌরক্লে, নেটানা ৪শুবা পোজিসন তারক্লে



ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): নেপালগী কোনুং কাথমান্দুদা পাঙথোকপা ১২শুবা মিষ্টর সাউথ এসিয়া ২০১৯দা ইন্দিয়াগী টিমগী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী লাইতোঞ্জম রিশিকান্তনা গোল্ড মেদল ফংলক্লে হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১৮দগী হৌখিবা বোদি বিল্ডিং কনষ্টেট অদুদা লাইতোঞ্জম রিসিকান্তনা কিলোগ্রাম ৮৫গী কেটিগোরিদা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। অমরোমদা কনটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী অতোপ্পা বোদি বিল্ডর লাইশ্রম নেতানা কিলোগ্রাম ৫৫গী কেটিগোরিদা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

মণিপুরদগী হৌখিবা বোদি বিল্ডরশিং অসিনা মকোক ওইরক্তুনা মণিপুরবু অমুক্কা হেন্না মশক তাকপা ঙমখিবগীদমক এসোসিএসন অসিনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে।

## ৩০শুবা ষ্টেট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ পাঙথোক্লবা ওর্গনাইজিং কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন, মণিপুরগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ওগষ্ট ১০দগী ১৩ ফাওবা নুমিৎ ৪নি চুপ্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বাক্সি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩০শুবা ষ্টেট লেভেল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমা ঙসি অয়ূক পুং ১০ তাবদা হুন্দুং দুঙ্গ্রেদা পাঙথোকখিবা মীফমদা শেমখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ৩০শুবা ষ্টেট লেভেল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওইনা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি চ্যেরমেন্দা মিষ্টর ৱাই আর জোসেফ, সেক্রেটরিদা মিষ্টর সোমায়া এ এস, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিদা মিষ্টর ৱিল্লি ৱাই আর, পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা মিষ্টর টি এস রিঙরৈশাং অমসুং মিষ্টর এ এস মুন, এক্কোমোদেসন্দা মিষ্টর সী এম চিহানয়ো, ফুদ্দিং এন্দ লোদিংদা মিষ্টর এ এস হুঙবা, ইলেক্ট্রিসিটিদা মিষ্টর দেভিদ ৱাই আর, ৱাটর সপ্লাইদা মিষ্টর এন ঙরানমি, প্লে ফিল্ড ওইনা মিষ্টর এন ৰুংনাও চাই অমসুং মিষ্টর কে অলবার্ট, ত্রান্সপোর্টতা মিষ্টর এন্থোনি টি, রিসেপ্টসনদা মিষ্টর এ এস লকি, সাউন্দগী ওইনা মিষ্টর কে ওগষ্টিন অমসুং মিষ্টর টি ফানিঙমী, মেদিকেলদা মিষ্টর অচুই (ক্যের) অমদি টেক্নিকেল চ্যেরমেনগী ওইনা মিষ্টর টি ঐচ প্রিয়োকুমার অমসুং মিষ্টর হৈক্রুজম চা বাবুনি।

৩০শুবা ষ্টেট লেভেল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ অসিদা ফুনবা অমা কৌবা ইভেন্টতা ফুনচৈ অমদি চুঙ্গৈ পায়রগা তৌবা, ফুনবা অনীশুবা কৌবা ইভেন্টতনা ফুনচৈতমক পায়রগা কাওবা য়াবা, থাঙলোন চৎপা অমদি থাঙ হাইবা হায়রিবা মশান্নশিং অসিদা অথোই অহেন তান্নগনি হায়নসু চেরোল অসিদা খঙহল্লক্লি।

## জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপরনা শিন্দুনা ওগষ্ট ২দগী ৪ ফাওবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা উরিপোক অচোম লৈকাইগী কম্যুনিতি হোলদা ৯শুবা ষ্টেট লেভেল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়না এসিসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## বোক্সর সিব থাপা গোল্ড মেদল ফংখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২০ (এজেন্সী): কাজখষ্টানগী সিটি অষ্টানাদা পাঙথোক্লিবা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

ওলিম্পিক্সতা বোক্সরশিংগী ৱেট কেটেগোরি নৌনা শেমদোরকপা অদুগী মতুংদা অসামদগী হৌখিবা সিব থাপানা কিলোগ্রাম ৬৩দা শরুক য়াদুনা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না সেমী ফাইনেলদা কিরগিষ্টানগী বোক্সর অর্গোন কাদিরিবেকুলুবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি। অদুবু ফাইনেল মেচতা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা কাজখষ্টানগী বোক্সর জাকির সিফুলিন শোকপদগী শান্নবা ঙমদনা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপানা গোল্ড মেদল অদু কিন অমা ফাওবা থিন্নদনা ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর পর্বিন কেজি ৬০গীদাসিলভর মেদল ফংখি। অদুগা স্বিটি (৮১) অমসুং দুরয়ধন নিগি (৬৯) সেমী ফাইনেলদা লৈহৌদুনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

## ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০ পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা শীন্দুনা সাইনিক স্কুলদা থা অসিগী ২২দগী ২৬ ফাওবা ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০ পাঙথোক্লগনি হায়না সাইনিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল গ্রুপ কেপ্তেন ঐচ সী এস চৌহান্না ঙসি পাউমীশিংগা অখন্ননা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০ অসিদা পূন্না স্কুল তরুক হায়বদি সাইনিক স্কুল পুরুলিয়া (ৱেষ্ট বেঙ্গল), সাইনিক স্কুল পুঙালভা (নাগালেন্দ), সাইনিক স্কুল গোলপরা (অসাম), সাইনিক স্কুল চীংচিপ (মিজোরাম), সাইনিক স্কুল ইষ্ট সিয়াং (অরুনাচল প্রদেশ) অমসুং সাইনিক স্কুল ইম্ফালদগী পূন্না কেদেট ৩৩২না শরুক য়াগনি।

সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী ওইনা কেদেট ৭২না শরুক য়াগনি। কেদেটশিংনা অথোই অহেন তান্নগদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদি ফুটবোল (জুনিয়র) অন্দর-১৭, ফুটবোল (সব জুনিয়র) অন্দর-১৪, হোকি, বাস্কেটবোল, বোল্লিবোলনি। লোয়ননা কো-করিক্যুলর এক্টিভিটিসতা দিবেট (ইংলিস অমসুং হিন্দি), ক্যুইজ, ভেরাইটি ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রামসু য়াওগনি। হায়রিবা কো-করিক্যুলর এক্টিভিটিস অমসুং গেমসশিং অসিগী পোইন্টশিং অসি য়েংলগা টিম চেম্পিয়ন খনগদৌরিবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, চহী ১২গী মতুংদা ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০ অসি অমুক হন্না শিনবা ফংজবনি। ঐখোয়না হন্দক চেম্পিয়নশিপ অসি শিনবা ফংজবা অসিদা স্কুল অসিগী ওইনা চাউথোকচবা পোকই। চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি শান্নরোয়শিং অসি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পোকহনবা, কমদৌনা কাঙলোন চুম্না শান্নগনি লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিদগী ইন্টর জোনেল অমসুং নেসনল লেবেলগী থাক্তা শান্নবা ঙম্নবনি হায়খি।

ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০ অসি এদ্যুকেসন এন্দ এমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ রাদেশিনা হৌদোক্কনি হায়নসু সাইনিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল গ্রুপ কেপ্তেন ঐচ সী এস চৌহান্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

৩শুবা টি বি এস এফ এ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## য়ু ভি এস এ (এ) না ফ্লামবু মায়থীবা পীখ্রে, য়ু ভি এস এ (বি) অমসুং চোল্লা এফ সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস): টি বি এস এফ এ ভেটরান্স ফুটবোল টিমনা শীন্দুনা টি বি এস এফ এ গ্রাউন্দ তাওবুংখোক্তা চথরিবা ৩শুবা টি বি এস এফ এ ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু ভি এস এ (এ) না ফ্লামবু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা য়ু ভি এস এ (বি) অমসুং চোল্লা এফ সী দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ভেটরান টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩শুবা টি বি এস এফ এ ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু ভি এস এ (এ) চজিং অমসুং ফ্লাম য়াইস্কুল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা হেনজিন্নবা ঙম্নদনা শান্নখি। টিম অনীমক্না অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা এটেক কয়া চথনখি। মেচকী ১৫শুবা মিনটতা ফ্লামগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৬ রতননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। য়ু ভি এস এ (এ) গী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা চথরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ২৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় নোরেন্না পাঞ্জল অদু ইক্বেলাইজ তৌখি। মখা তানা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নদবদগী মেচ অদু ১-১দা অদুমক লৈখি।

অনীশুবা হাফতা য়ু ভি এস এ (এ) না অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা হেনরি জর্সি নম্বর ১৬না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু ২-১দা অমুক লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ফ্লামগী মায়কৈদগী মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থীহৌখি। অদুগা মেচ অদু য়ু ভি এস এ (এ) না ২-১দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ু ভি এস এ (বি) অমসুং চোল্লা এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু টিম অনীনা হেনজিন্নবা ঙম্নদনা য়াম্না ফজনা শান্নখিবনা মেচ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


URGENTLY WANTED

মণিপুরগী হৱা নুংশিংকা চান্নরবা ক্বা-মনা (মীথা মনা) থাবীনিংবশিংনা Yenning Plantation Project (Y.P.P.) তগী চার ফংবিগনী।

Kindly Contact :-
Yenning Plantation Project
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Bus Parking, Imphal East, Manipur - 795001
☎ 6909651574/ 9485254065

YENNING FOUNDATION FINANCE
POST VACANCY : AGENT
NO. OF POST : 200
No Deposit
No Donation

Please Contact :-
Yenning Foundation Finance
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Bus Parking, Imphal East, Manipur - 795001
☎ 6909651574/ 9485254065

HL-B/5557/20/7-31/8/1-19/9






HL-B/5528/3/7-1sept.

BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.
1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items:- Fish Farmer,Mushroom Farmers,Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available:- 1%,1.5%,2%,2.5%&2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্বা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment , Rice Mill অসিনচিংবা।
N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরীবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।
EMPLOYMENT NEWS : OFFICE ASST. (KAKCHING, SAMUROU, NAMBOL, THOUBAL, MOIRANG), Car Driver, Security, Mechanic&Gr-IV,Computer Operator Tyre Mistry & Helper(2+2),Brick Mistry & Grazing Mistry.
DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 9383154085 Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/5527/3/7-31aug
HL-P/3392/14-20july

SALAI Agro Products Private Limited
SPAWN PRODUCTION & MUSHROOM CULTIVATION TRAINING ON
OYSTER MUSHROOM & BUTTON MUSHROOM
DURATION 20 DAYS
FIRST COME FIRST SERVE
NO. OF APPLICANT:40
TRAINING STARTS ON 21ST JULY, 2019
For Registration, Please Contact the following
SALAI MUSHROOM FARM AND R & D CENTRE
Lairenkabi Maning Leikai, Imphal West, Manipur
Mobile No. : +91 7629022423 / +91 9366899824
e-mail :- salaiagro.sappl@gmail.com / website : www.salaiagro.com


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com